**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 24-11-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ২৪-১১-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা লালহৌবশিং অমসুং দ্রগ লল্লোনবশিং ফাগৎপা অমদি পোপী পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনবগী খোঙজং লেপ্তুনা চত্থরি।

২) হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি- দ্রগ ফ্রি ওইবা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা লেপ্পা লৈতনা চংশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি থাগৎনিঙাইনি।

**অমসুং**

৩) শেন্দোংগীদমক খন্দুনা থবক তৌবগী মহুৎতা মীওইবগী মীনুংশি অমসুং মালেমগী ওইনা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবগী ৱাখল্লোনদা থবক তৌনবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা জি ত্বেন্তিগী লৈবাকশিংদা তকশিনখে।

------

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবা, লালহৌবশিং অমসুং দ্রগ লল্লোনবশিং ফাগৎপা অমদি পোপী পান্বীশিং

য়ান্থৎতুনা মাংহনবগী খোঙজং লেপ্তুনা চথরি।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- ইম্ফাল ৱেষ্টকী শিংজমৈ পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা থোংজ্‌ ৱাইখোম খোঙনাং এরিয়াদগী ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা কে.সি.পি(পি.দব্লিয়ু.জি)গী মীওই অমা ফারে।

অমরোমদা, কাংপোকপী জিলাগী বুংমোল ভিলেজতগী মীওই অমা কানি কিলোগ্রাম ১ রোমগা কোন্ননা ফারে। মহাক সাইকুল পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা গুনফাইবুং ভিলেজকী চিফনি হায়রি। বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাং পুলিস স্তেসনগী গেটতা হাংদোকপা চেকপোইন্টতা অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা মীওই অমদগী সাপোন কেপ ৩ দা হাপ্তুনা পুরম্বা হেরোইন পাউদর গ্রাম ৭৪ ফারে হায়রি।

মরক অসিদা, সেক্যুরিতি ফোর্স, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং নার্কোতিক্স কন্ট্রোল ব্যুরো(এন.সি.বি)গী অপুনবা কাংবু অমনা কাংপোকপী পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা কোটলেন্দ ভিলেজকী চীংশাংদা লম একর ৪১ রোমদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখ্রে হায়রি। মফম অদুদা লৈরম্বা লৌতাংশঙ ২৩ সু থুগাইখ্রে। মফম অদুদগী হার বেগ ৯, তিলহাৎ হিদাক পেকেট ১১, থুম বেগ ৪ অমসুং পোপী থাবদা শিজিন্নবা অতৈ পোৎলমশিংসু ফংলে হায়রি।

**বিরেন (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্স, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট অমসুং এন.সি.বিগী অপুনবা কাংবু অমনা কোটলেন্দ এরিয়াদা হৌরম্বা পোপী পাম্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনখিবা অদুবু হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে। মহাকা হায়- দ্রগ ফ্রি ওইবা মণিপুর অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা লেপ্পা লৈতনা চংশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি থাগৎনিঙাইনি। অসিগুম্বা খোঙজং অসি লেপ্তুনা চথদুনা ফৎত্রবা থৌওংশিং অসি লোইশিন্দুনা ঐখোয়গী লৈবাক লৈহাওশিং কল্লসি হায়নসু শ্রী বিরেননা মখা তাখি।

**কবুই (এল)ঃ** কবুই য়ুনিয়নগী মীহুৎ কাংবু অমনা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগা উনখ্রে। ৱারোল অমদা, শ্রী বিরেননা হায়- কবুই য়ুনিয়নগী মীহুৎশিংগা উনদুনা ৱারি শান্নখিবা অদু য়ামা নুঙাইবা অমা ওইখি। মখোয়গী পুকিংদা লৈবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপগা লোয়ননা ফুরুপ অসিগী য়াইফ থৌরাং কয়াগী মতাংদসু ৱারি শান্নখি। কবুই জাতিগী অচৌবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা রাজ্যগী থাক্তা পাঙথোক্কদবা লাক্কদৌরিবা গাংঙাই ফেষ্টিভেলগী মতাংদসু মখোয়না ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লমখি। কুম্মৈ অসি মহৌশাগী চৎনবীশিংগা লোয়ননা হরাউ তয়ামা পাঙথোকপা ওইরসনু হায়নসু মহাক্কী মাইকৈদগী ফোঙদোকখি।

**নোনে (এল)ঃ** মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা নিংথম থা চংলকপগা লোয়ননা ইংবগী চাং তপা তপা হেনগৎলক্লি। সেনাপতি জিলাদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৭ য়ৌরে। ইম্ফালদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ১০ য়ৌরে। চীংগী জিলাশিংদসু ইংবগী চাং তপা তপা হেনগৎলক্লি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা আই.দি.পিশিংগী ইমর্জেন্সী মেদিকেল ত্রেন্নিং প্রোগ্রামশিং চুরাচান্দপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা পাঙথোকখ্রে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়- ত্রেন্নিংশিং অদু ইমান্যুএল হোস্পিতাল এসোসিয়েসনগা খূৎশমদুনা পাঙথোকখিবনি। অৱা অনাশিং তারকপা মতমদা অথু অকাইগী ওইনা পুনশি কন্নবগীদমক তঙাইফদবা হকশেলগী ওইবা লৌখৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং খঙহন্নবগী পান্দমদা ত্রেন্নিং অদু পাঙথোকখিবনি। ত্রেন্নিং অদুদা পুন্না নুপী ৪০ না শরুক য়াখি। অসাম রাইফলসনা অৱা অনা তারবশিংদা মতেং পাংনবা অমসুং মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎপদা তেংবাংবা ওইনা ত্রেন্নিং প্রোগ্রামশিং অদু পাঙথোকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, ফেরজোল জিলাদা লৈবা আইনা মিসন জ্নিয়র বেসিক স্কুলদা অসাম রাইফলসনা ফুটবোল বোল্লিবোল অমসুং বোল্লিবোল মেটচশিং পীখ্রে। মসি লমদম অদুগী নহারোলশিংদা শান্ন-খোৎনবগী ৱাখল হেন্না ফাওহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি হায়রি।

**পিএমঃ** শেন্দোংগীদমক খন্দুনা থবক তৌবগী মহুৎতা মীওইবগী মীনুংশি অমসুং মালেমগী ওইনা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবগী ৱাখল্লোনদা থবক তৌনবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা জি ত্বেন্তিগী লৈবাকশিংদা তকশিনখ্রে। এফিয়র এন্দ জষ্ট ফ্যুচর ফোর ওল ক্রিতিকেল মিনরেলস, দিসেন্ট ৱার্ক, আর্টিফিসিয়েল ইন্তল্লিজেন্স হায়বা হীরমদা জোহেন্সবর্গতা ঙরাং পাঙথোকপা জি-ত্বেন্তিগী অহুমসু সেসনদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- টেকোলোজিশিং অসি মীওইবগা চুশিন্নবা অমসুং মালেমগী পুম্বগী ওইনা কান্নরবা টেকোলোজিশিং ওইহনগদবনি। ভারততা দিজিতেল ইকোসিস্তেম অমা শেমগৎতুনা দিজিতেল পেমেন্টকী লমদা মালেমগী লমজিংবা লৈবাক অমা ওইননবা হোৎনরিবা অদুবু খুদম ওইনা পুথোক্তুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- এ.আই অমসুং স্পেসকী লমদসু ভারত খোঙজেল য়াংনা চাউখৎলকপা লৈবাক অমা ওইরি।

অমরোমদা, জি-ত্বেন্তিগী মীফম য়াওবা লাকখিবা ইটলিগী প্রধান মন্ত্রি জিয়োরজিয়া মেলোনিগা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা তোঙান্না উনদুনা ৱারি শান্নখি। ৱারি শান্নবা অদুদা, লুচিংবা অনিনা লল্লোন ইতিক, শেল থাদবা, ঙাকশেল, ইন্নোভেসন, এ.আই, ইদ্যুকেসন অমসুং স্পেসকী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

শ্রী মোদিনা জপানগী প্রধান মন্ত্রি সানে তাকাইচি, নিদরলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি দিক স্কুপ অমসুং জমাইকাগী প্রধান মন্ত্রি এনদ্রিয়ু হোলনেসকসু উনদুনা ৱারি শান্নখি।

**চিফ জস্তিসঃ** জস্তিস সুর্যকান্টবু সুপ্রিম কোর্টকী চিফ জস্তিস ওইনা ঙসি রাস্ত্রপতি ভবনদা, রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ৱাশক লৌরগনি। মহাকা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অসিগী ৫৩ শুবা চিফ জস্তিস ওইরগনি। হান্নগী চিফ জস্তিস বি.আর গভাইগী থবক পায়বগী মতম লোইদুনা ঙরাং পোত্থাখ্রবা মতুংদা জস্তিস সুর্যকান্টবু অনৌবা চিফ জস্তিস ওইনা ৱাশক লৌগদবনি। মহাকা ফম অসি লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৭ কী ফেব্রুৱারি ৯ ফাওবা পায়গনি।

**পিয়ুসঃ** কেন্দ্রগী কমর্চ এন্দ ইন্দিষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়ালদা ইজরেলগী প্রধান মন্ত্রি বেঞ্জামিন নেতানয়াহুগা ঙরাং উনদুনা ৱারি শান্নখ্রে। ৱেষ্ট এসিয়ান লৈবাকশিংদা চৎপা শ্রী গোয়ালগী নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎ লোইশিনবা নুমিৎতা শ্রী বেঞ্জামিনগা উনখিবনি। মহাকা ইজরেলগী মহাক্কা ফম মান্নবা নির বার্কাটকসু উনদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না ফগৎহন্নবা অমসুং লল্লোন ইতিক্কী থবক হেনগৎহন্নবগী মতাংদা ৱারি শান্নখি। শ্রী গোয়ালনা ইজরেলগী রাস্ত্রপতি আইজাক হরজোগকসু উনদ্না ৱারি শান্নখি। ৱারি শান্নবা অদুদা লৈবাক অনিগী মরক্তা লল্লোন ইতিক, শেল থাদবা, সাইন্স এন্দ টেকোলোজি অমসুং ইন্নোভেসন য়াওনা লম কয়াদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

এম.পি.পিদগী নোর্থ ইষ্ট পিপলস পার্তি ওন্ননবা মচেৎ তারকপগী ফিভমদা লৈরে, সঙাই ফেষ্টিভেলদা মী পুনবগী চাং নেম্বা অমসুং ফেষ্টিভেল অসি থিংবগী খোঙজং চংশিনখিবগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

এম.পি.পিদগী নোর্থ ইষ্ট পিপলস পার্তি ওন্ননবা থৌরাংদা পার্তি তঙ্খাই

তাগদৌরিব্রা, হাই কম্মান্দদগী কলচর লৈতে হায়রগা তৌরক্লিবা থবক তাইওন্নবনি হায়বা পার্তিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জয়কুমারগী ৱাফম- সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি- নহারোলগী থৌদাং, সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম অমসুং হুইয়েন লানপাউদসু অহানবা লামাইদা তোঙান তোঙানবা হেদলাইনশিং তৌদুনা ফোঙলি।

নবেম্বর ৩০ ফাওবা মৈরাগী খোঙচৎ চত্তুনা ৱাকৎ মীফম ফম্বীয়ু হায়বা কোকোমিগী ৱাফমগা লোয়ননা মোটবুংদা য়ুম মৈ থারক্লে, আই.দি.পিগী খোঙজংসু লেপত্রি হায়না- সনালৈবাক্তা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস এদিসনদা- সঙাই ফেষ্টিভেলদা মী তিনবগী চাং নেম্বনা চিলদ্রেন দিসনিলেন সোগী শরুক খরা শিদোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। মখা তানা সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপবু য়ানিংদবা উত্তুনা মফম কয়াদা মীয়ামগী খোঙচৎ চৎখিবগী পাউ পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

কুকি ভিলেজ চিফ ওপিয়ম কেজি অমা রোমগা কোন্ননা ফাবগী পাউ অমসু- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা লামাইদা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

পোকফমদা - সঙাই ফেষ্টিভেল মী ইতাক তাক্লি, অহাংবা স্তোলশিং মেনশিনবা ঙমদ্রি হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙবা থেংনরি। পাউ অসি- হুইয়েন লানপাউদনা হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিভেল ফজদেহে হায়বা ৱাহৌদোক পীরদুনা ফুদ স্তোলশিং খুলাংখাং কৌদবা য়াওরে হায়না বেনর হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

অথিংবা থল্লবা শিংগল য়ুস প্লাস্তিক কেজি লিশিং ৩ হেন্না পুরকপা নন-লোকেল অমা ফারে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

গভর্ণর এ.কে ভল্লা অমদি এক্স সি.এম বিরেন উনখিবগী পাউ-নহারোলগী থৌদাংদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

১৫ শুবা মণিপুর পোলো ইন্তরনেসনেল ২০২৫ দা ইন্দিয়া-এ অমসুং কোলমবিয়া দ্রো ওইখ্রে, মণিপুরনা ছতিসগরবু পাঞ্জল ৯-৪ দা থোইখ্রে হায়না-মণিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- জলিয়াংরোংগী মীওইশিংনা খুন্দারিবা মকুই লুৰাংদিদা মকুই লুৰাংদি কুম্মৈ ২০২৫ পাঙথোকখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। ডা.লোরহো এস ফোজেবু এম.পি.পি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লকখিবগী পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

আই.দি.পিশিংনা সঙাই ফেষ্টিভেলগী মায়োক্তা য়ানিংদবা খোঙচৎ পাঙথোকপদা বফরজোন লানশিন্নবা হোৎনবদগী চাউনা মুকবা থোকখ্রে হায়না-তামেংলোং তাইমসতা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

**--পাউ লোইজরে--**